## মপারি নীংশিংকোলদা পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ* ডাক্তর টিঐচ কিষন, ৱাই তোকেন অমসুং এ রাজেন লৈখিদবগী ৫ রক শুবা কুমওন থৌরম হয়েং নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ তাবদা উরিপোক মচিন চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সকী মমাংদা লৈবা মপারি নীংশিংকোলদা পাঙথোক্কদৌরি।

জোইন্ট এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ ডাক্তর টিঐচ কিষন, ৱাই তোকেন অমসুং এ রাজেন না শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অসিদা অমজুগী প্রসিদেন্ট ৱাংখেমচা শমজাই, জে এ সিগী চিয়ারমেন এস টিকেন্দ্রজিৎ সিংহ, জোইন্ট ওন আই এল পিগী কনভেনর ইবোতোম্বী খুমন, অমুকোগী প্রসিদেন্ট ডাক্তর ৱাই মনি খুমন, হেরিকোনগী প্রসিদেন্ট মুতুম চুরামনি অমসুং ইউ সি এমগী প্রসিদেন্ট ৱাই নবচন্দ্রনা মথংশিৎনা অথোইবা মীথুংলেন, থৌরম মপু অমসুং ইকায় খুম্নবা মীথুংশিং ওইগনি হায়না কনভেনর ৱাই কাপুরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এম দি ইউদা আর্টিষ্ট দে পাঙথোক্কনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ* চহি খুদিংগী পাঙথোকপগুম হন্দকসু মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন (এম দি ইউ)না শীন্দুনা আর্টিষ্ট দে থৌরম লাক্লিবা তাং ১৮ লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এম দি য়ুগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি লোয়ননা নুমিৎ অদুদা খোমদ্রাম ধনচন্দ্র নীংশিং মনাসু শক্লাইরবা থিয়েটর আর্টিষ্ট ওইনাম বিরমঙ্গোল সিংহ নট্য ভুষনদা পীদুনা ইকায় খুম্নগনি।

মণিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টনা শেলগী মতেং পীদুনা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্ট অসিগী দিরেক্তর ডাক্তর কে সোবিতা দেবী, সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি এৱাদি এল বিরেন্দ্রকুমার অমসুং এম দি ইউগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম ইবোহল সিংহনা মথংশিৎনা অথোইবা মীথুংলেন, ইকাই খুম্নবা মীথুং অমসুং থৌরম মপু ওইগনি।

আর্টিষ্ট দে অমসুং খোমদ্রাম ধনচন্দ্র নীংশিং মনা য়েহ্থোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা এম দি ইউনা পুথোকপা থিনমনি হাওবগী খোংজোমনুবী প্লে উৎকনি হায়রি।

# ইন্টরনেস্নেল হ্যুমেনিটরিয়ান লো অমসুং মীওইবগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম হায়বসিদা খন্ন নৈনখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ* ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অৱাং খুনৌ মমাং লৈকায়দা ঙসি ইন্টরনেস্নেল হ্যুমেনিটরিয়ান লো অমসুং মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা চথবা ক্রাইম হায়বসিদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা পাংথোকখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট দাইলোগ ফোরমগী কোওর্দিনেটর এস ধনবির সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, খন্ন নৈনবগী থৌরম অদু ফোরম অসিনা সেন্ট্রেল কম্মিটি- কম্যুনিটি হোল অৱাং খুনৌ মমাং লৈকায়, গ্রেদ ষ্টার ক্লব সগোলতোংবা, ভিল্লেজ ৱুমেন্স কোওর্দিনেটিং কম্মিটি, কনফ্লিক্ট ৱিদো ফোরম অমসুং অৱাং খুনৌ মৈরা পায়বীগা পুন্না খুৎশম্নদুনা শীনখিবনি।

এরিয়া অদুগী অকোয়বদা লৈবা মীওই ১৫০ রোম্না শরুক য়াখিবা কন্সলটেসন প্রোগ্রাম অদুদা এস মনি কলেজগী লেকচরর ওইরম্বা বাবুয়াইমনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীখি। লোয়ননা রিছোর্স পার্সন ওইনা হায়কোর্টকী এদভোকেট এল সিবানন্দ, হ্যুমেন রাইটস এলার্টকী বসন্ত ৱারেপ্পম এদভোকেট, এম য়ুগী প্রোঃ চিংলেন মৈস্নাম, এদিটরস গিল্ড মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এ মোবি অমদি বেবেচা মংসাতাবমনা শরুক য়াখি। অদুগা রিসেন্ট হয়ার সেকেন্দরি স্কুলগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা চোংথাম মোহোন অমসুং অৱাং খুনৌ জিল্লা পরিষদকী মেম্বর সনাহনবীসু ৱা ঙাংখি।

খন্ন-নৈনবা অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোকখিবদি মালেমগী মীয়াম্না দ্রাকোনিয়ান লোনি হায়নরিবা সরকারগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা মী হাৎপা, তমথিনা ওৎনৈবা য়াহল্লিবা আর্মদ ফোর্সেস (স্পিসিয়েল পৱার্স) এক্ট ১৯৫৮ কী মরুমদা নোর্থ ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা চহি ৫০ হেন্না লৈরক্লি। মীয়াম্না ইন্দিয়ান য়ুনিয়ন অমসুং মণিপুর ষ্টেট সেক্যুরিটি ফোর্স অমদি খুৎলাই পায়বা নন ষ্টেট এক্টরশিংদগী মীওইবগী হক শীংনবগী থৌদোক কয়াসু থেংনদুনা লৈরি। মরাল লৈতবা মীওই কয়া ফারবা মতুং কাপ্তুনা হাৎপা অমসুং খুৎলাই পায়বা কাদর কয়ানসু মীওই অমবু ফারগা হাৎপা, কিহনবনচিংবা থৌওং কয়া চথরিবা অসি মীওইবগী হক শীংনবগী খ্বাইদগী ময়েক শেংলবা খুদম্নি। অসিদসু নত্তনা নুপী কয়া ইজ্জৎ মাঙহনবিবা, নমজা নমথেক্লবিবা, হাৎপনচিংবসু তৌরি। ষ্টেট অসিদা চথখিবা সেক্যুরিটি ফোর্সকী তোঙান তোঙানবা ওপরেসন কয়া পল্লদুনা অদুগুম্বা মিলিটরি এক্সন অদুনা নুপী কয়া রেপ তৌবিখ্রে। নুপী অমদি অঙাং কয়া হায়নিংঙাই লৈতনা অৱা অনা নংহনখ্রে হায়নসু পনখি। অসিগুম্বা কয়া অসিনা মণিপুরদদি দিমোক্রেসিগী চৎন কাঙলোন অসি ওফিসিয়েল ওইদবা মওংদা সস্পেন্দ তৌদুনা থম্বীরে অমসুং লাউথোক্তবা ইমর্জেন্সিগা চপ মান্নরে হায়বগী ৱাফমসু পুথোক্লখি।

ফিভম কয়া অসি লৈবনা জষ্টিস জিবন রেদ্দি কম্মিটি (২০০৫) না অফস্পা অসি রিপিল তৌনবা রিকমেন্দ তৌখিবনি। অদুগা অনিশুবা এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্ম কম্মিসন (২০০৭), জষ্টিস বর্মা কম্মিসন অমসুং জষ্টিস সন্তোস হেগদে কম্মিসন্না অফস্পা ১৯৮৮ রিপিল তৌনবা রিকমেন্দ তৌখি। অসিদসু নত্তনা ইউ এন হায় কম্মিস্নার ওফ হ্যুমেন রাইটস শ্রীমতি পিল্লে, আই বিগী দিরেক্তর ওইরম্বা আর এন রবি, স্পিসিয়েল রাপোটিয়র ওন হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর, এক্সত্রা জুদিসিয়েল এক্সিক্যুসন অমসুং ভি এ দল্লিয়ু নচিংবা কয়ানসু অফস্পা রিপিল তৌনবা অকনবা মওংদা রিকমেন্দ তৌখিবা লৈ। অসিদসু নত্তনা ইউ এনগী ১৬ ত্রিতি বোদিজ স্পিসিয়েল মেকানিজমনা ইং ১৯৯৭ দগী হৌনা অফস্পা রিপিল তৌনবা রিকোমেন্দ তৌরি। অদুবু ইন্দিয়ানা ঙসি ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোকপিদ্রি হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোক্লি।

মরম কয়া অসিনা ইন্দিয়ান সেক্যুরিটি ফোর্স অমসুং খুৎলাই পায়বা নন-ষ্টেট এক্টরশিংনা ইন্টরনেস্নেল হ্যুমেনিটরিয়ান লোশিং, জেনেভা কনভেন্সন ১৯৪৯ গী কমন আর্টিকল থ্রি অমসুং ১৯৭৭ গী এদিস্নেল প্রোটোকোল টু ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোকপীনবা হায়খি। য়াম্না ঙক্লিবদি ইন্দিয়ানা ইন্টরনেস্নেল হ্যুমেনিটরিয়ান লো অমসুং জেনেভা কনভেন্সনগী নিয়ম ঙাক্লা চৎত্রি। লান হায়বসি ইন্টরনেস্নেল হ্যুমেনিটরিয়ান লোগী মখাদা শোক্লগদবনি। অদুবু লান নৎত্রগা খুৎলাইগী মুক্নবা পার্টিশিংনা হ্যুমেনিটরিয়ান সার্ভিস, নুপী অমদি অঙাংশিং ঙাক শেনগদবনি অমসুং মীয়ামগী দরকার ওইবা চীঙ্গাক অমদি হিদাক লাংথক ফংহনগদবনি হায়খি। অদুবু ২০০৪ দা শজিক তম্পাক ওপরেসন চথখিবা মতমদা ইন্দিয়ান আর্মিনা মীচম মীয়ামগী দরকার ওইবা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অতৈ মরুওইবা হিদাক লাংথক লৈবা ফাওবা য়াহনখিদে। করিগুম্বা য়াহল্লবসু অকক্নবা চাং খক্তদমক লৈহল্লি হায়বগী ৱাফম থম্নখি। মরম অদুনা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর সরকারদা খন্ন নৈনবা মীফম অদুনা রিকমেন্দ তৌরিবদি মণিপুরগী চিফ মিনিষ্টর অমসুং দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টরনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং সোনিয়া গান্ধি উনদুনা অফস্পা রিপিল তৌনবা তকশিনগদবনি, কনভেন্সন এগেনষ্ট টোর্চর রেটিফাইদ তৌগদবনি অমসুং জুন ২০০৮ গী য়ুনাইটেদ নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোলুসন ১৮২০ থবক্তা ওন্থোক্কদবনি, কুম্বী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বোরায়াংবীদা লৈবা লাইশ্রম সুর্মিলা (১০) অপোকপা এল অমুথোইবু হাৎখিবা ক্রিমিনেলশিং অদু খুদক্তা ফাদুনা আইনগী ওইবা মতিক চাবা দন্দি ফংহন্নবগীদমক থেংথবা তৌদুনা চার্জ সিট থাগৎনবা মণিপুর সরকারদা তকশিনবা, মমাং চহিগী ওক্তোবর ১০ দা শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাইখোম লৈকাইদগী সনাবম জোসিনা (সনা) ১৮ হাৎখিবা মীওইশিং ফাগদবনি অমসুং জেনেভা কনভেন্সন ১৯৪৯ গী কম্মন আর্টিকল ৩ অমদি ১৯৭৭ গী এদিস্নেল প্রোটোকোল ২ ইকায় খুম্নবগী লোয়ননা থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়বা অসিনি।

মখা তানা পোলিটিকেল আর্মদ ওপোজিসন গ্রুপশিংদা রিকমেন্দ তৌরিবনা ১৯৪৯ গী জেনেভা কনভেন্সনগী কম্মন আর্টিকল ৩ অমসুং ১৯৭৭ গী এদিস্নেল প্রোটোকল ২ ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা ঙাক্লা চৎকদবনি, মীয়ামগী য়েংলগা ফেক্সন ময়াম পুনশিনগদবনি অমদি ইন্টরফেক্সনেল ফাইট লেপকদবনি, লোয়ননা দিদ ওফ জেনেভা কোলস দিদ ওফ কম্মিটমেন্টতা সহি তৌবগা লোয়ননা থাজবা থমগদবনি হায়বা অসিনি।

# ঙসি অমজুগী স্পিসিয়েল জি বি মীটিং পাংথোক্কনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ* ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু)গী অখন্নবা জেনরেল বোদি মীটিং হয়েং তাং ১৭ নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাংথোক্কদৌরি।

অমজুগী জেনরেল সেক্রেটরি জি এ নাওচানা ফোংদোরকখিবদা হৌখিবা তাং ১৫ গী নুমিদাং পুং ৭.৫০ রোম তাবা অদুৱাইদা ইম্ফাল ফ্রি প্রেসকী সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট অরিবম ধনঞ্জোয় এলাইজ চাউবগী থাংমৈবন্দ লৌরুংপুরেল লৈকায়দা লৈবা য়ুমদা শকখঙদবা খরনা অতম্মনা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা অমদি অতোপ্পা থৌদোক কয়াগী মতাংদা কুপ্না খন্ন নৈনগনি হায়খি।

অমজুগী প্রসিদেন্ট ৱাংখেমচা শমজাইনা হায়খিবদি থোক্লিবা থৌদোক অসিগী মতাংদা অমজুনা তুং হন্দুনা খক চৎলোই অচুম্বা অদু চপ চানা পুথোক্লবা হোৎনগনি। পাউমী খুন্নাইবু খুৎলাই পায়বা কাঙবুনা ফোংনা শীংনবনি হায়না লৌগনি। হন্দক সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট অরিবম চাউবা শর্ম্মবু অহানবা আই আর বিগী কাঙবু অমনা থিনা ফুবিখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মিনিষ্টর, এম এল এ অমদি পুলিসকী মকোক থোংবশিংনা থৌ-ৱা শাদবা অসি নুংঙাইতে অমসুং অদুগুম্বা থৌওং অদু অমজুনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইন্দিয়ান জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন্না চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবি সিংহদা অইবা চেরোল অমা পীরক্তুনা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা আই আর বি পার্সোনেলশিং অদুগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়দুনা তকশিল্লকপসু লৈরে হায়না মহাক্না মখা তানা পাউদমখি।

# মেমোরিয়েল প্রেয়র সার্ভিস পাংথোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ* অরুনাচল প্রদেশকী মহৈরোয় নিদো তনিয়ানা রেসিজমগী ভিক্তিম ওইখিবা অদুগীদমক ওল ফেথ মেমোরিয়েল প্রেয়র সার্ভিস ঙরাং দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা পাংথোকখ্রে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, মশাগী চহি ১৯ দা ঙাইরিবা মহৈরোয় নিদো তনিয়া অরুনাচল প্রদেশকী কংগ্রেস এম এল এ অমসুং পার্লিয়ামেন্ট সেক্রেটরি (হেলঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়ার) নিদো পবিত্রাগী মচানুপানি। মহাক মমাং থাদা নেসনেল কেপিটেল দিল্লিগী ময়োলমক্তদা শক-চু জাৎ খেন্নবগী মায়োক্তা দুকান্দারশিংনা ফুদুনা হাৎখিবনি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা মেমোরিয়েল প্রেয়ার সার্ভিস অদু নিদো তনিয়াগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা শীনখিবনি অমসুং মেমোরিয়েল সার্ভিস অদু নুংথিলগী পুং ৩.৩০ দগী হৌখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা মহৈরোয় নিদো তনিয়াগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংসু য়াওখি অমদি ৱা ঙাংখি হায়নসু পাউ অসিনা পল্লি।



ইন্টরনেস্নেল কাং টুর্নামেন্টগা মরী লৈননা মপান লৈবাক্তগী লাকপা শান্নরোইশিংবু ঙসি ইম্ফালগী জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী ওদিটোরিয়ম হোলদা ওকপগী থৌরমদা ফোটো সেসন অমা চথখিবা


## উমা আয়ুর্বেদিক ক্লিনিক


**ঙমখ্রে**

না-তাদবা, নুংশা শোৱগী লায়না, ঈশিং পুকচৎ, শম কেনবা অমদি কোক-তাংবা, থাগী রিতু কাইবা নৎত্রগা ফিঙৌ চৎপা, ফিরু থুংবা, হক্তিন্নবদা শন্দোকপা লায়না নৎত্রগা গেনোর্রিয়া, নুঙশং, খোংহাম্না নুংঙাইতবা অমসু পুক শৌগৎপা

***অঙাং য়াওদবা নুপা-নুপীশিংগীদমক***


করিগুম্না অদোম অঙাং পোত্ত্রা অমসু মদুগীদমক অদোম্না নুংঙইতবা পোক্লবদি ঐখোয়দা পাউ ফাঙদোকপীরকউ। ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা, কানরবা অমসু অফবা মখলগী হিদাক অদোম শোয়দনা পুক্লি চৎখোল্লবা ইচনুপা ইচনুপী অমা ফংবা ঙমগনি। মৱমদি অঙাং য়াওদবা নুপাখনুপী কয়ানা অঙাং ফংবা ঙমখ্রে।

***খ্বাং নাবা, খুউ নাবা, নঙ্গল নাবা অমসুং নাকল নাম্মা পংথবা***



করিগুম্না অদোম নাকল নাম্মা পংথবা, খুউ নাবা, খ্বাং নাবা, খুনিং নাবা, পাম্বোম নাবা, লেংজুম নাবা, মখল খুদিংমক্কী তাং-তাং চীকপা-নাবগী অৱাবা মায়োক্লরবদি চানবিদুনা মফম অসিদা লাকপীয়ু। ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাকশিং শীজিন্নদুনা হায়রিবা লায়নাশিং শোয়দনা ফবা ঙমগনি।


***উনশাগী লায়নাশিং***



অঙৌবা পকপা, উনশাদা মচেৎ নায়না পোমথোকপা, লাইকোই, অমু-অমুবা দাগ তাবা, উনশাগী মহৌশাগী কুচ্ছু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং শোয়দনা ফহনবা ঙম্মী। নুমিৎ হুন্নিগী মনুংদা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা হিদাক শীজিন্নবদগী অঙৌবা পকপা মচু ওনবা হৌরক্কনি অমসুং লায়না অসি থা খরগী মনুংদা মপুং ফনা ফহনবা ঙম্মী। লাই থোকখিবগী দাগ ফাওবা ফহনবা ঙম্মী।


***লুহোংবগী পূঙ্গি নুংঙাইনা লেনবিয়ু***

***অদোমগী হকতিন্নবগী সমস্যা***




করিগুম্না অদোম নুমিদাংদা মতোমতা ফম্বী চৎলবা, মপানথোকপা নৎত্রগা খোং হান্নদা ফম্বী চৎপা, ফম্বী মরাং কাইনা চত্তবা নৎত্রগা মহি লাংবা, শক্তি হন্থবা, ফিনুংগী হকচাং লীংখৎপা ৱাৎপা, থুনা ফম্বী চৎপা, নুপা নৎত্রগা নুপীগী মখল খুদিংমক্কী ফিনুংগী ওইবা লায়নাশিং লৈরবদি চানবিদুনা ঐখোয়গা পাউ ফাউনবিয়ু। ঐখোয়গী হিদাক শীজিন্নদুনা মীওই লিশিং ২০ হেন্না অসিগুম্না লায়না ফহনবা ঙমখ্রে। ঈশিং পুকচৎ অমসুং হায় ব্লদ প্রেসৱনা মরম ওইদুনা অঙাং পোকপা ঙম্বগী শক্তি লৈতবা ফাওবা মফম অসিদা ফহনবা ঙমখ্রে।

***য়েংবদা পূক্লিং চিংশিনবা অমসুং মওং তাবা ব্রেষ্ট***



করিগুম্না অদোমগী ব্রেষ্ট অদু পীক্লবা নৎত্রগা চোম্থরবদি অমসুং অদোম্না অদোমগী ব্রেষ্ট চাওখৎহনবা পাম্নবদি চানবিদুনা ঐখোয়গী শক্তি লৈরবা আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক লৈবিয়ু।

***লিঙ্গ চাওখৎনবা মেছিন***



করিগুম্না অদোম্না অদোমগী লিঙ্গ শাংবা অমসুং চাওবা হেনগৎহনবা পাম্নবদি চানবিদুনা মফম অসিদগী মেছিন অসি লৈবিয়ু। মেছিন অসি শীজিন্নবনা লিঙ্গগী শাংবা অমসুং চাওথোকপা শোয়দনা ঙমগনি। লিঙ্গ লীংখৎপগী শক্তিসু হেনগৎহনগনি। হকচাংগী তোংশা অমসুং তাং-তাং চীকপা ফননবা হিদাকসু মফম অসিদা ফংগনি। মসিগীদমক ওর্দর তৌবিরকউ।

লিঙ্গ চাওখৎহন্নবা স্প্রে অমসুং ক্রিমসু মফম অসিদগী ফংবিগনি

***কমদৌনা য়ু থাদোক্কনি***

য়ুদা লাইচুরবা মীওইদা (মশাদা খঙহনদনা) ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক হিদাক পীজ পীথকপা তারবদি অদোমগী ইমুং মনুংদা হরাও-নুঙাইবা হায়বদু হঞ্জিল্লক্কনি। মহাক সোইদনা য়াম্না থুনা লিকর / য়ু থাদোক্কনি।

***অরুম্বা হেনগৎহনবা***

চহী মতাং অমা হেক্তদা লৈবা মশা ময়াং কংবা, তাবা তাবাবা নুপামচা / নুপীমচাশিংনা ঐখোয়গী আয়ুর্বেদিক্কী হিদাক শিজিন্নবা তাৰবদি নুমিৎ খৱানিদা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎহনবা ঙমগনি।

LONG JOHN CREAM - The power of man, CHINEESE MADE ORGAN DEVELOPER & BREAST DEVELOPER ARE AVAILABLE HERE

***LOOSENESS OF PRIVATE PART***

If your private part has become loose due to encess sex, encess children leucorrhoea or any reason, then please contact us. It will be tight using own madicine surrely. Your will be as young girl. no side effect.



***Please Contact:-***
**Dr. R.N.. Gupta (396)**
C/o Uma Ayurvedic Clinic
Thangal Bazar, Khoyathong Road,
Kwality Wall Ice Cream Building, 1st Floor
Khoyathong, Imphal - 795001 (Manipur)

*য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুটতগী লাপথোক্ল বা*

করিগুম্না অদোম্না য়ু, হিদাক মনা অমসুং চুরুট শীজিন্নবা থাদোকপা পাম্নবদি চানবিদুনা ডা আর এন গুপ্তা হকথেংননা উনবিয়ু





অৱাং খুনৌ মমাং লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা ঙরাং ইন্টরনেস্নেল হ্যুমেনিটরিয়ান লো এন্দ ক্রাইম এগেনষ্ট হ্যুমিনিটি হায়বা হিরমদা পাংথোকখিবা কনসলটেসন প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবশিং

# দেসামগী থৌপুগদবশিং ৱাশক লৌখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ* ঙসি সনাকোনুংগী উত্রা শঙলেন্দা পাঙথোকপা চিং লেন্নবা থৌরম অমদা দিমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী ইং ২০১৬ ফাওবগী থৌ পুগদবা থৌমীশিং য়াওনা ইগজিক্যুটিভ বোদিগী মেম্বর ৪৮ সনা কোনুংগী খ্বাই লাকপা থৌচোম ইবুংঙোহলনা থবক পায়বগী ৱাশক লৌখ্রে।

থৌরম অদু অঙোম নিংথৌ, অঙোম অমুবী, অহল্লুপ লাকপা চোংথাম রাজেন, শঙলাকপা লৌরেম্বম অজিৎনা ময়ায় ফমখি। অদুগা ক্ষেত্রিময়ুম রেবালনা পেনা য়াকাইরোল শক্তুনা হৌদোকখি।

দেসামগী থৌ পুনবগীদমক খনখ্রবা থৌমীশিংগী মনুংদা মরুওইবদি এম য়ুগী মোইরাংথেম অঙম্বা মৈতৈনা প্রসিদেন্ট, ইগনৌগী অরাম্বম থোইথোইনা ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং এম য়ুগী পুখ্রম্বম প্রেমচন্দ্র সেক্রেটরি জেনরেল য়াওরি।

নৌনা প্রসিদেন্টকী ফম পুরবা মোইরাংথেম অঙম্বনা হায়, ষ্টেট অসিগী ওইরিবা এদুকেসন সিষ্টেম অসি মতমগা চুনবা মওংদা হোংদোক্লবা কেম্পেইন অমা চথবা হৌরগনি। ২১ শুবা চহি-চাসিদা অফবা এদুকেসন য়াওদনা মালেমগী চাউখৎ লমজেলদা য়াওশিনবা ঙম্লোই। অমরোমদা মমিংখক্তগী ওইনা থবক তৌবনা এদুকেসন সিষ্টেমগী অশোয়বশিং অসিসু চুমথোকপা ঙম্লোই। মরম অদুনা শোয়রিবা অসিগী হৌরকফম থিদোক্তুনা চাউখৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা অদু লৈরে। মসিগী মরিদা এদুকেসন মিনিষ্টর য়াওনা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবশিংগা মরিক চুম্বা ৱাফম কয়া খঙহল্লগনি হায়রদুনা এদুকেসন কেম্পেন অসি মরু ওইনা শোথরবা চীং অমসুং খুঙ্গং লমগী মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চংগনি। লোয়ননা লাইরবা ইমুংগী মহৈরোয়শিং তম্ফম ওইরিবা সরকারগী স্কুলশিং য়াইফনবা অকোয়বদা লৈবা মীওইশিংগা তান্নদুনা মখোয়সু শরুক য়াহন্নবা হোৎনগনি। স্কুলশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর নিংথিনা শেমগৎনবা অমদি রাইট টু এদুকেসন এক্টকী চপ চাবা ৱাহন্থোক লৈহন্নবা হোৎনবদসু কেম্পেইন অসিনা মীৎয়েং চংগনি হায়খি।

হন্দক নেসনেল কেপিটেল দিল্লিদা থোকখিবা পামদবা থৌদোকশিং অদুদা চেন্নবা মীওইশিং মতিক চাবা চৈরাক পীগনি হায়বা খক্তনা ঐখোয়না পেন্থোক্তুনা লৈফম থোক্তে হায়বগী মত পীরদুনা নোর্থ ইষ্টকী মীওইশিংবু ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসনগী মখাদা নিংথিনা ঙাকপী শেনবীনবা চপ চাবা আইন অমা শেম্বগী তঙাই ফদবা লৈ হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোংদোকখি।

# মহৈরোয় লিশিং ২২ হেনবনা টুয়েল্ভ ক্লাস অদুগা লিশিং ২৬ হেনবনা এলেবেন ক্লাসকী পরিক্ষা থাগদৌরি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ* কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি ইদুকেসন মণিপুরনা লৌবা হয়েং তাং ১৭ নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌগদৌরিবা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট একজামিনেসন ২০১৪ (ক্লাস টুয়েল্ভ)তা পুন্না মহৈরোয় ২২, ৬৭২ না শরুক য়াগদৌরি।

একজাম অসি য়াওগদৌরিবা মহৈরোয় ২২,৬৭২ গী মনুংদা আর্ট ষ্ট্রিমদা মহৈরোয় ৫,৬২৩, সাইন্স ষ্ট্রিমদা ১৬,৫৫৫ অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমদা ৪৯৪ য়াওরি। পরিক্ষা অসি কাউন্সিল সেন্টর ২৫ অমসুং প্রাইভেট সেন্টর ৩৪ পুন্না সেন্টর ৫৯ দা পাংথোক্কনি।

অতোপ্পা অমনা কাউন্সিলনা লৌবা ক্লাস এলেবেন একজামিনেসন ২০১৪সু হয়েংদগী হৌগদৌরি। একজাম অসিদনা পুন্না মহৈরোয় ২৬, ১৩২ না শরুক য়াগনি। একজাম অসিগীদমক চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা স্কুল ১৪৬ সেন্টর ওইনা শীজিন্নগনি হায়রি।

একজাম অসি মপুং ফানা পাংথোকপা ঙম্নবা মীয়ামদা তেংবাংবিনবা লোয়ননা পাংথোক্লিঙৈ মনুংদা মখল অমত্তগী বন্দ ব্লোকেদনচিংবা পামদবা থৌদোক থোকহনবিদনবা কাউন্সিলগী চিয়ারমেন্না মীয়ামদা হায়জখিবসু লৈখ্রবনি।

মরক অসিদা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা পরিক্ষা অসি য়েংলগা তোঙান তোঙানবা সেন্টরশিংগী অকোয়বদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়না অতোপ্পা ছোর্সতগী ফংবা পাউনা হায়রি। তোঙান তোঙানবা মহৈরোয় লুপশিংনা একজাম অসি মায় পাক্লা অমসুং অশোয় অঙাম য়াওদনা পাংথোকপা ঙম্নবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি অমসুং নত্তবা পাম্বে শীজিন্নবা থিংনবা হোৎনবদসু মতেং পাংগনি। মসিদা দ্যুটি তৌরিবা সেক্যুরিটি পার্সোনেল অমদি একজাম কন্দক্ত তৌরিবা কাউন্সিলগী মীওই অমদি ওঝাশিংনা শৌগৎপিনবা মাংজৌননা হায়জখিবা লৈখ্রে।

মথং থা মার্চ তাং ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদবা একজাম অমদি বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌগদবা ক্লাস টেন- হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট একজামিনেসন ২০১৪ লাক্লিবা তাং ২০ দগী হৌগদৌরিবা অসিগী য়েংলগা তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা মখল অমত্তগী হরাও কুম্মৈনচিংবা পাংথোকপদা অথিংবা থমখ্রবনি।

## ঐচ এস আর পি স্কিম থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ* ষ্টেট সরকারগী ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টনা হায় সেক্যুরিটি রেজিষ্ট্রেসন প্লেট (ঐচ এস আর পি) স্কিম ইং ২০১২ গী এপ্রিল ১২ দগী হৌদোকখিবগা লোয়ননা স্কিম অসি চপ চানা থবক্তা ওন্থোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি। মসিগীদমক তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা রেজিষ্ট্রেসনগী থবক অয়াম্বা লোইশিনখ্রে। অদুবু ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি অৱাৎপা লৈবনা চৎলিবা ফেব্রুৱারি থা অসিদা এম এন ১-ই, এম এন ১-বি, এম এন পি, এম এন ০১ অমসুং এম এন ১জি সেরিজগী গারিশিং স্কিম অসিগী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী থবক য়াম্না কন্না চথবগা লোয়ননা বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংহৌবশিং অদুসু মেনখৎনবা হোৎনরি হায়রি।

## যুব মোর্চানা মহৈরোয়শিংদা য়াইফ পাউজেল পীরি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ* কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা লৌগদবা হয়েং তাং ১৭ নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌগদৌরিবা হয়ার সেকেন্দরি স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট একজামিনেসন ২০১৪ (ক্লাস টুয়েল্ভ একজাম) য়াওগদবা মহৈরোয়শিংদা ভারতিয়া জনতা যুব মোর্চা মণিপুর প্রদেশনা য়াইফ পাউজেল পীরি।

বি জে ৱাই এম মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট কেঐচ বসন্ত সিংহনা ঙসি পীখিবা পাউজেলদা হায়, একজাম অসি তশেংনা মহৈরোয় অমগী পুন্সিগী খ্বাইদগী লুবা তাঙ্কক অমনি। তুংগীদমক অফবা মাইয়োন অমদা পুগদৌরিবা অরুবা পরিক্ষা খুদিংমক্কী অহানবা মাইয়োন অমসু ওইরিবনি। অদুনা মহৈরোয়শিংনা নিয়ম চুম্না মখল অমত্তগী নত্তবা পাম্বে অমতা শীজিন্নদনা একজাম য়াওদুনা তুংগী য়ুম্লেপ চারবা য়ুম্বীরেল অমমম ওইবা ঙম্বা ওইরসনু।

কনাগুম্বা ওঝা অমদি স্কুল ওথোরিটি অমত্তনা মহৈরোয়শিংনা নত্তবা পাম্বে শীজিন্নবা হোৎনবদা পুক্লিং থৌগৎপিদনবসু আপিল তৌরি। লোয়ননা একজাম মনুংদা মহৈরোয়শিংদা অয়েৎপা অপনবা ওইগদবা মখল অমত্তগী বন্দ ব্লোকেদনচিংবা অমত্তা তৌবিদনবা লমদম অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈমিন্নরিবা মীপুম খুদিংমক্তা আপিল তৌরি।

## লাইব্রেরিগী পোৎ চৈ মাংহন্নবা হোৎনরম্বা অসি অচৌবা শীংনবনি

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৬ঃ* হৌখিবা তাং ১৪ ইরাই নুমিৎকী অহিংদা শীংজমৈ কৈথেল ময়াদা লৈবা এদুকেস্নেল গাইদ সেন্টরনা স্পোন্সর তৌবা এদুকেস্নেল লাইব্রেরিগী থোঙ মীওই খরনা থুগায়দুনা লাইব্রেরিগী পোৎ-চৈ মাংহন তাকহন্নবা হোৎনরম্বা থৌওংবু পেন্দবা ফোংলদুনা থৌওং অদুমক লাইব্রেরিগী ইহৌদা অচৌবা শীংনবা অমনি হায়রি।

এদুকেস্নেল গাইদ সেন্টর (ই জি সি)গী সেক্রেটরি কেঐচ পুর্নচন্দ্রনা ফোংদোরকখিবদি লাইব্রেরি লোইশঙ অমগী পোৎ-চৈ মাঙহন তাকহন্নবা হোৎনরম্বা হায়বসি ৱাখল য়াওদবা লৈবাক মচা তাদবা মীওইশিংগী থৌওংনি হায়না লৌই। মরম অদুনা লাক্লিবা তাং ২৩ ফাওবগী মনুংদা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং এদুকেস্নেল লাইব্রেরিদা লাক্তুনা তৌখিবা থবক অদুগীদমক লাল্লে হায়জরগদবনি। করিগুম্বা মতম অসিফাওবগী মনুংদা লাক্ত্রবা অমদি মীয়াম্না শেম্বা সেন্টর অসিনা হায়রিবা ৱাফম অসিদা থৌওইদ্রবদি মতুং তারকপদা থোরকপা অফ-ফত্ত পুম্বগী দাইত্ব চেন্নরিবা অমদি মখোয়গী মরী লৈনবা কাঙবু খুদিংমক্লা পুগদবনি হায়নসু অকনবা ৱাফম থল্লক্লি।



ANGELS' COACHING CENTRE (ACC)
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN FOR FOUNDATION COURSE CLASS II - X (BOSEM)

CBSE : REVISION COURSE, CLASS VIII TO ALL CLASSES ARE STRICTLY MONITORED BY CCTV

FACULTY : RESOURCE PERSONS & FORMER HEAD - EXAMINERS START ON 2nd JAN. 2014

OUR TOPPERS OF HSLC EXAM. 2013



1ST POSITION MIRANDA M. NIRMALABAS
3RD POSITION RATIMANJURI H. NIRMALABAS
5TH POSITION MIRANDA O. NIRMALABAS
6TH POSITION SYDENNY TH. LITTLE FLOWER
14TH POSITION VIVEK A. ST. JOSEPH
15TH POSITION REMA NAOREM NIRMALABAS
16TH POSITION SADA SALAM LITTLE FLOWER
16TH POSITION CHITRA KH. NIRMALABAS
22ND POSITION BIDYALAXMI S. LITTLE FLOWER
24TH POSITION JAYALUXMI NG. LITTLE FLOWER
24TH POSITION PRESCILA RK. NIRMALABAS

SUBJECT TOPPERS : MATHS : MIRANDA O., SYDENNY TH., REMA N., CHITRA KH., JAYALUXMI NG. ADDL. ENG. : BIDYALAXMI S.

SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

Van Service upto 10km

Contact No.: 9856988840--9863222153--9863265726